# জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা থোকখিবা খুৎ থোক্নবগী থৌদোক্তা টেরোরিষ্ট ৭ হাৎখ্রে, পুলিস পার্সোনেল অমা শীরে



জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা টেরোরিষ্ট মরি হাৎপখিবগী থৌদোক্তা লান্মীশিং থোমজিনখিবা

*শ্রীনগর, সেপ্টেম্বর ১১ঃ*

জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা ঙসি থোকখিবা তোঙান-তোঙানবা খুৎ থোক্নবগী থৌদোক মরিদা পুলিস পার্সোনেল ১ শীরে অদুগা অতোপ্পা পার্সোনেল ১না শোকহনখ্রে। লোয়ননা টেরোরিষ্ট ৭ হাৎখ্রে হায়রি।

নাওগাম সেক্টর অমসুং গুরেজদা ঙমখৈ লান্না চংশিন্নবা হোৎনরকখিবা মীওইশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্নবগী থৌদোকশিং থোকখি। পুঞ্চ লমদমদা টেরোরিষ্টশিং লৈরে হায়বা পাউ ফংবদগী চংশিনখিবা পুলিস পার্সোনেলশিংগী মরক্তা ষ্টেট অদুদা থোকপা মরিশুবা খুৎ থোক্নবগী থৌদোক অদু থোকখি।

ঙসি নুমিদাংৱাইরম হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা চেয়র লৌদুনা পাঙথোকখিবা অৱাংবা থাক্কী মীফমদা নেসনেল সিক্যুরিটি এদভাইজর অমসুং ইন্টিলিজেন্সকী মকোকশিং শরুক য়াখি।

পুঞ্চ লমদমদা পুলিসনা অকক্নবা পাউ অমা ফংবদগী থি-হুন্বগী থবক চথবদা খুৎ থোক্নবগী থৌদোক অদু থোকখি। পুলিসনা লালহৌবশিং লৈরে হায়বা বিল্ডিং অদু কোয়শিন্দুনা থমখিবা মতুং মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপথোরকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা চাওনা খুৎ থোক্নখি।

থৌদোক অদুদা পুলিস পার্সোনেল অমা লৈখিদ্রে। অদুগা সব ইন্সপেক্টর অমনা অশোক অপন নংখ্রে। লান্মীনা মফম অদুদা থুনা য়াঙনা চংশিন্দুনা টেরোরিষ্টশিং অদু লাকশিন্নবা হোৎনখি। হৌজিকসু মখা তানা খুৎ থোক্নরি হায়রি।

নাওগাম সেক্টরগী লাইন ওফ কন্ট্রোলগী পরিংদা লান্মীনা টেরোরিষ্ট ৭ হাৎখ্রে। লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা খুৎলায় মতিক চানা পায়বা টেরোরিষ্ট খুৎপু অমা লানশিন্নবা হোৎনরে হায়বা পাউ ফংবদগী লান্মীনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপদা খুৎ থোক্নবগী থৌদোক অদুথোকখিবনি। খুৎ থোক্নবদা লৈখিদ্রবা টেরোরিষ্টশিং অদু পাকিস্তান মচা ওইগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

মীওইশিং অদুদগী এ কে ৪৭ রাইফল ৪ অমসুং য়াল্লবা নোংমৈ মরু কয়াসু ফংবা ঙমখ্রে হায়রি। তাংধর অমসুং গুরেজ সেক্টরগী মফম অনীদা ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরকপগী পাউ ফংবা ঙল্লে। লমদম অদুদা মখা তানা ওপরেসন চত্থরি।

চৈরকসিদা পুলৱামাগী গারিমাবাফ খুঙ্গংদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা রেদ চত্থবদা মীওই কয়াসু ফাগৎখি হায়রি।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না খুৎ থোক্নবগী থৌদোক্তা খুঞ্জা ২৫ অশোক অপন নংখ্রে। শোক্লবা মীওইশিং অদু মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে হায়রি।

এন্টি টেরর ওপরেসন চত্থবদা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক ইরাই নুমিৎতা লান্মী লিশিং কয়া কাশ্মীরদা থাজিনখ্রে। চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই ৮দা হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী টেরোরিষ্ট বুরহান ৱানি হাৎখিবা মতুং কাশ্মীর তম্পাক্তা মীয়াম্না অকনবা খোঙজং চংশিল্লকখি।

পাউগী লিখুল অমনা হায়, মমাঙগী চহী অনীদা ঙমখৈগী লমদমদা মিলিটরি কয়া থাজিন্দুনা মিলিটেন্টশিং লৈতবা মফম অমা ওইহন্নবা হোৎনখি। বুরহান ৱানি লৈখিদ্রবা মতুং মফম কয়াদা অকনবা খোঙজং চংশিল্লকখি। অদুগুম্বা খোঙজংশিং অদু লমদম অদুদা লৈবা মপান লৈবাক্কী টেরোরিষ্টশিংনা থোকহনবনি হায়বগী চীংনবসু লৈরি হায়রি।

# টাঞ্জানিয়াদা যুহার হাবদা মীওই ১৩ শীরে, ২০০ শোক্লে



টাঞ্জানিয়াদা থোকখিবা যুহার হাবগী থৌদোক্তা মী কনবা কাংবুনা মীওই অমা কন্নবা হোৎনবা

*দার ইস সলাম, সেপ্টেম্বর ১১ঃ*

টাঞ্জানিয়াদা মেগ্নিচুদ ৫.৭ য়ৌবা যুহার হাবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৩ শীরে। অদুগা মীওই ২০০ হেনবনা অশোক অপন নংলে হায়না লোকেল ওথোরিটিনা ফোঙদোরক্লি।

দিষ্ট্রিক্ট কম্মিস্নারগী মতুং ইন্না যুহার অদুগী ইপিসেন্টর বুকোবাগা নক্লনা লৈবা সহর অমদা ওইখি। অহানবদদি খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা মীওই ১১ শীরে হায়বা পাউ ফংখি। অদুম ওইনমক অশীবা মশিং ১৩দা হেনগৎখ্রে।

ফিভম অদু লাকশিনবা ঙল্লে হায়না দিষ্ট্রিক্ট কম্মিস্নার দেও দাটসকি নাৱিলোনা ফোঙদোরক্লি। অশোক অপন নংলবা হোস্পিটালদা লায়েংখিবা মীওই খরদি হোস্পিটালদগী দিচার্জ তৌখ্রে। মীওই কয়া অশোক অপন নংলমগদগে হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। হয়েংদি চপ চাবা ৱাফম অমা খঙবা ঙল্লগনি হায়খি।

প্রসিদেন্ট বুকোবানা হায়, লমদম অদুগী প্রোভিন্স কয়াদা লৈবা য়ুম কয়া নিংখায়হনখ্রে হায়বা খঙবা ঙল্লে। হৌজিক মী কনবগী থবক চত্থরি। যুহার অদুনা ইপিসেন্টরগী মনাক নক্লনা লৈবা রৱান্দা, বুরুন্দি, উগন্দা অমসুং কেনিয়ানচিংবা মফমশিংদসু নিকহনখি হায়না য়ু এস জিওলোজিকেল সর্ভেনা ফোঙদোরক্লি।

উগন্দাগী কোনুং কম্পালাদা ফংবা পাউগী মতুং ইন্না লমদম অদুগী য়ুম কয়াগী ফক্লাং নিংখায়হনখি হায়রি। গ্রিন ৱিস মিন টাইমগী ১২২৭ চৎপদা ইপিসেন্টর ওইখিবা মফম অদুগী লৈমায়দগী কিলোমিটর ২৫ লুবা মফমদগী হৌরকখিবা যুহার অদুনা মফম কয়াদা নিংকহনখি।

গ্রেদ লেক্স লমদমদা যুহার হাবা হায়বদু তোয়না থোকপা থৌদোক অমনি। অদুম ওইনমক মমাঙদা হাখিবা যুহারশিং অদুদি পংকন কনবা ওইদ্রি। টাঞ্জানিয়াগী কোনুংদা লৈবা য়ুম কয়া যুহার অদুনা অমাং অতা থোকহনখ্রে। লমদম অদুগী হোস্পিটালশিংদা অশোক অপন কয়া লায়েংনবা হোৎনবদা অচৌবা অৱাবা অমা মায়োক্লরি হায়রি।

থৌদোক অদুবু হকথেংননা থেংনখিবা গারী দ্রাইভর অমনা ফোঙদোরকখিবদা টাঞ্জানিয়াগী বুকোবা সহর য়ৌরকপদা লৈমায় নিকপা খঙলকখি। লোয়ননা মীওই কয়া লম্বীদা চেম্থোক্লরকখি। মদুতা নত্তনা য়ুম কয়াসু নিংখায়বা উখি হায়রি। অদুম ওইনমক লৈবাক অদুগী কোনুং দার ইস সলামদদি মাংতাকপগী পাউ লৈতে হায়রি।


GAS TODAY

**R&H INDANE SERVICE**
Booking upto .......31/07/2016
Valid from ........... 26/07/2016
Stk ......................612 (DBTL)
Timing.........8.00 to 11.00 am

Submit Aadhaar Card

**SWOMBUNG INDANE**
Booking upto .......01/08/2016
Valid from ........... 25/07/2016
Stk .................................306
Timing.........7.30 to 10.00 am

**K & K INDANE SERVICE**
Booking upto .......03/09/2016
Sl. No. 100
Valid from ........... 27/08/2016
Stk .................................306
Timing.........7.30 to 11.00 am

FIRST COME FIRST SERVE

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
Booking upto .......25/08/2016
Valid from ........... 23/08/2016
Sl. No. 9750
Stk ......................316 (DBTL)
Timing.........7.00 to 11.00 am


# অফগানিস্তানগী লল্লোনবশিংগীদমক ৱাগা বোর্দর হাংদোক্লে

*ইস্লামবাদ, সেপ্টেম্বর ১১ঃ*

অফগানিস্তানগী লল্লোল ইতিক তৌবা মীওইশিংনা মখোয়গী পোথোকশিং ৱাগা বোর্দর ফাওনা ইন্দিয়াদা পুশিনবা য়াহল্লগনি হায়না পাকিস্তান ওথোরিটিনা লাউথোরক্লে।

অফগানিস্তানগী প্রসিদেন্টনা সেন্ত্রেল এসিয়াগী খুদোংচাবশিং পাকিস্তাননা থিংদুনা থল্লে হায়না ফোঙদোকখিবা নোংমগী মতুংদা থৌশিল অদু পায়খৎলকখিবনি।

পাকিস্তাননা হায়, অফগানিস্তানগী লল্লোনবশিংনা ৱাগা বোর্দর ফাওনা মখোয়গী পোথোকশিং ইন্দিয়াদা পুশিনবা য়াহল্লগনি হায়রি।

# সুপর ফাষ্ট টালগো ত্রেন মায় পাক্লা পুং ১২গী মনুংদা দিল্লি-মুম্বাই চেনবা ঙমখ্রে

*মুম্বাই, সেপ্টেম্বর ১১ঃ*

স্পেনিস টালগো ত্রেনগী অরোইবা চাংয়েং অমা ওইনা ঙসি দিল্লিদগী মুম্বাই ফাওবা চেনখ্রে। ত্রেন অদুনা চেনগদবা অরাপ্পশিং মায় পাক্লা চাংয়েং তৌখ্রে। দিল্লি-মুম্বাই ফাওবদা পুং ১২গী মনুংদা মায় পাক্লা য়ৌবা ঙমখি।



ত্রেন অদু ঙরাং নুমিৎযুংবা মতুং পুং ২.৪৫ রোম চৎপদা মুম্বাইগীদমক খোঙশানখি। লোয়ননা মথংগী নুমিৎকী অয়ুক পুং ২.৩৪দা মুম্বাই য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়ান রেলৱেজনা দিল্লি অমসুং মুম্বাইগী মরক্তা চখোক চৎশিন তৌবদা চংলিবা মতম হন্থহন্নবা পান্দম থল্লি। লোয়ননা পুং ৪গী মনুংদা চখোক চৎশিন তৌবা য়ান্ননবা হোৎনরি।

সুপর ফাষ্ট টালগো ত্রেন ত্রাইয়েল ওইনা লমদম অদুদা চেলহনখিবনি। হায়রিবা ত্রেন অদুদা স্পেনগী ফার্ম টালগোনা শাবা দাবা ৯ পুদুনা চৎখিবনি। ত্রেন অদুদা পুংদা কিলোমিটর ২০০ রোম য়ৌনা চৎপা ঙম্মী হায়রি।

টালগো ত্রেনদা এক্সজিক্যুটিব ক্লাসকী দাবা অনী, চৌক্রি মরি থাবা য়াবা, কেপ্টরিয়াগী খুদোং চাবা লৈগনি হায়রি। দিল্লি অমসুং মুম্বাইগী মরক্তা লাপ্পরিবা অসি কিলোমিটর ১,৪০০নি। হায়রিবা লম্বী অদু চৎপদা রাজধানি এক্সপ্রেসনা পুং ১৬ চংলি।

টালগো ত্রেনগী দাবা ৯ অমসুং এক্সজিক্যুটিব ক্লাস অমসুং চেয়র কার লোয়ননা কেপ্টরিয়া য়াওবা ত্রেন অদুনা দিল্লি অমসুং মুম্বাইগী মরক্তা চৎপদা পুং ১২ খক্তমক চংলগনি হায়রি।

উত্তরপ্রদেশতা হায়রিবা ত্রেন মখল অদুগা মান্নবা ত্রেন পালৱাল-মথুরাদা চেলহন্নবা অনীশুবা ত্রাইয়েল পাঙথোকখ্রে। রেলৱে ওফিসিয়েলশিংগী মতুং ইন্না হায়রিবা অয়াঙবা ত্রেন অদুগা মান্নবা ত্রেনশিং শেমগৎপা তঙাইফদে হায়রি।

# সাউদিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা কাংবুনা এটেক চত্থবদা মীচম ২১ শীরে, ২০না শোকখ্রে

*সানা, সেপ্টেম্বর ১১ঃ*

সাউদিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা কাংবুনা থাংজ নুমিৎতা য়েমেনগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা মফম অনীদা এয়ারষ্ট্রাইক চত্থবদা মীচম ২১ শীরে হায়না লমদম অদুদা লৈবা মীওইশিংনা ফোঙদোরক্লি।

মুস্লিমশিংগী ইদ অল অধা কুম্মৈগী মাংওইননা লমদম অদুদা খুৎ থোক্নবগী থবক হেনগৎলক্লি। লমদম অদুগী মীয়াম্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা আরবা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সদান লমদমদা ঈশিং ফংননবা দ্রিল তৌবা কাংবুশিংদা লানগী প্লেনশিংনা টার্গেট তৌদুনা ষ্ট্রাইক চত্থরকপদা মীচম ১৫ শীহনখি অদুগা ২০ হেনবনা অশোক অপন নংহনখি।

সাউদিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা কাংবুনা লানগী প্লেনশিংনা শোয়বদগী ট্র্যাব ৱেল হুৎপা শীন্মীশিংদা টার্গেট তৌদুনা রোকেট কাপশিল্লকপদগী মীওই কয়া শীহনখি। অনীশুবা ওইনা ফিভম অদু য়েংননবা থোমজিল্লকপা মীয়ামদা টার্গেট তৌদুনা রোকেট কাপশিল্লকপদা মীওই ১১ হাৎখি। অদুগা মখা তানা মীওই ২০ অশোক অপন নংহনখি।

সাউদিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা কাংবুগী ৱাঙাংলোই অমনা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক মক্কী ওইনা হিরম অদুগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্লবগী মতম চাদ্রি। চুংশিন্নবা কাংবুনা অমুক হন্না হান্নগী লৈঙাক লৈহন্নবা ইং ২০১৪দগী হোৎনদুনা লাকখি।

লোয়ননা প্রসিদেন্ট অবদ-রাবু মন্সুরহাদি অমুক হন্না শক্তি পায়হন্নবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক মীচমশিংদদি টার্গেট তৌখিদে হায়রি।

য়ু এননা স্পোন্সর তৌদুনা লমদম অদুদা থোক্লিবা হিংশাগী থৌদোক লোইশিন্নবা ৱারী শান্নবগী থবক পায়খৎনবা হোৎনখি। থাংজ নুমিৎতা চত্থখিবা এটেক অদুনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা অরোইবা ওইরি। লোকেল মেদিয়াশিংনা অশোকপা অমসুং শীখিবা মীগী মশিং ১০০ হেল্লে হায়না ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা মৈ চাক্লবা হকচাং কয়াগী শক্তমশিংসু উৎলক্লি। লোয়ননা মচেৎ তানা কায়রবা অমসুং ফিনা কুপশিন্দুনা থল্লিবা হকচাংশিংসু উৎলক্লি।

অনীশুবা থাংজ নুমিৎতা চত্থখিবা এটেক অদুগী মতাংদা লমদম অদুদা লৈবা মীওইশিং হায়, এয়ারষ্ট্রাইক অদুনা লোকেল ত্রাইবেলগী লুচিংবা হায়রান দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা সৈখমাগবুল অল হরমালিগী য়ুমদা ষ্ট্রাইক চত্থরকপদা মীচম ৬ শীখি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# টর্কিগী লানগী প্লেনশিংনা অৱাং থংবা সিরিয়াদা আই এস আই এস ২০ হাৎখ্রে

*ইস্তানবুল, সেপ্টেম্বর ১১ঃ*

টর্কিগী লানগী প্লেনশিংনা সিরিয়াগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা ইস্লামিক ষ্টেট ইরাক এন্দ সিরিয়া (আই এস আই এস)কী লৈফমশিংদা এটেক চত্থবদা য়ামদ্রবদা আই এফ ফাইটর ২০ হাৎখ্রে হায়না টর্কি মিলিটরিনা ফোঙদোরক্লি।



ঙসি চীফ ওফ জেনরেল ষ্টাফকী ওফিসনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না টর্কিগী লানগী প্লেনশিংনা আই এস আই এসনা লৈবনি হায়বা মশক খঙদোক্লবা বিল্ডিং ৩দা ষ্ট্রাইক চত্থখি।

থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা চত্থখিবা এয়ারষ্ট্রাইক অদুনা কার অমসুং মোটোর সাইকল কয়া মাং তাকহনখি। থৌদোক অদু য়ু এস-রসিয়ানা সিরিয়াদা সিজ ফায়র থম্মনবা য়ান-চেরোল চত্থখিবগী মাংওইননা চত্থখিবনি হায়রি।

টর্কিনা মমাঙ থাদা সিরিয়াগী ঙমখৈদা লৈবা জরালুস লৌশিন্নবগী মতেং ওইনা টেঙ্ক কয়া থাজিনখিবসু লৈখি। আই এস আই এসনা মরু ওইনা খুদুম চনবা মফমশিং অমুক হন্না লৌশিন্নবা হোৎনরি।

টর্কিগী জেট ফাইটরশিংনা আই এস আই এসকী সিরিয়াদা লৈবা মফমশিংদা টার্গেট তৌদুনা এটেক কয়া চত্থবা হৌখ্রে। অদুম ওইনমক লমদম অদুদা টর্কি অমসুং কর্দিষ্ট ফোর্সশিংগী মরক্তা অকনবা খুৎ থোক্নরি হায়রি।

সিরিয়াগা য়ুমথংননা লৈবা লৈবাক অমা ওইনা টর্কিদসু আই এস আই এসকী চৈথেংশিং ফংলি। টর্কি মনুংদসু আই এস আই এসনা এটেক চত্থদুনা মীওই কয়াগী পুন্সি মাংহনখিবা লৈখ্রে।

টর্কিনা মশাগী ওইবা ফিরেপ অমা লৌদুনা আই এস আই এসকী মথক্তা চত্থবা লালহৌশিংদা সিরিয়াগী রেবেল ফাইটরশিংদা মতেং পীরি। অঙ্কারাদা চাওনা বোম পোকখায়হন্দুনা মশিং য়াম্লবা মীচমশিং হাৎখিবগী মতুংদা টর্কিনা ফিরেপ লৌদুনা আই এস আই এসকী মথক্তা এটেক চত্থবা হৌখি। লোয়ননা সিরিয়াগী আই এস আই এসকী ময়োক্তা লৈবা রিবেলশিংদা মতেং পাংবগী থবক চত্থরি।

মিদল ইষ্টতা চাওনা আই এস আই এসকী চৈথেং ফংবগা লোয়ননা লমদম অদুদগী মীওই মিল্লিয়ন কয়া লাঞ্জেনখ্রবনি। সিরিয়াদগী মীওই কয়া য়ুরোপ অমসুং অতোপ্পা লৈবাকশিংদা চংশিন্নবা হোৎনবগী খুদোংচাদবা কয়া মরী লৈনবা লৈবাকশিংনা মায়োক্লরি।

টর্কি লৈঙাক্লা আই এস আই এসকী মক্তা অখন্নবা থৌশিল চত্থদুনা মিলিটেন্টশিং হাৎননবা হোৎনরি হায়রি।

সনা-সুদোকু- ৬৯১ গী সোল্যুস

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 6 | 3 | 4 | 5 | 1 | 9 | 8 | 7 |
| 8 | 1 | 9 | 2 | 6 | 7 | 5 | 4 | 3 |
| 7 | 4 | 5 | 9 | 8 | 3 | 2 | 6 | 1 |
| 5 | 2 | 4 | 7 | 1 | 6 | 3 | 9 | 8 |
| 1 | 3 | 7 | 8 | 4 | 9 | 6 | 2 | 5 |
| 9 | 8 | 6 | 5 | 3 | 2 | 7 | 1 | 4 |
| 3 | 7 | 2 | 1 | 9 | 4 | 8 | 5 | 6 |
| 6 | 5 | 1 | 3 | 2 | 8 | 4 | 7 | 9 |
| 4 | 9 | 8 | 6 | 7 | 5 | 1 | 3 | 2 |

# মেঘলয়াদা গ্রাউন্দ ৱাটর মোৎশিল্লকপগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরে

*সিলোং, সেপ্টেম্বর ১১ঃ*

মেঘলয়াদা লৈমায় অমসুং গ্রাউন্দ ৱাটর মোৎশিল্লকপগী শাথিবা ফিভম অমা হৌখিবা চহী কয়াদগী মায়োক্লরক্লি। সহরশিংগী নিংথিনা লোইশিন্দ্রবা অমোৎ অকায়শিংনা ঈশিং মোৎশিলহনবগী অচৌবা মরম অমা ওইরি।

মদুতা নত্তনা ইন্দষ্ট্রি অমসুং লৌউ-শিংউগী লমদা শীজিন্নবা হিদাক লাংথকশিংনা চাওনা ঈশিং মোৎশিলহনবদা মতেং ওইরি হায়না ষ্টেট পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দনা ফোঙদোরক্লি।

লমদম অদুগী মীয়ামগী হক-শেল অমসুং জেনরেল ইনভাইরোন্টমেন্টকী মরু ওইরিবা তুরেল অমসুং গ্রাউন্দ ৱাটরশিংগী মতাংদা মেঘলয়া পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দনা অখন্নবা রিপোর্ট তৌরক্লি।

নেসনেল ৱাটর মোনিটরিং প্রোগ্রামগী মখাদা ৱাটর বোদিশিংগী মগুন হেনগৎহন্নবা থবক পায়খৎলি। থৌশিল অদুগী মখাদা তুরেল অমসুং ঈচেল মচা ২০ কোনশিনবগা লোয়ননা পাৎ মরি অমদি গুহা কয়াসু কোনশিল্লি।

ষ্টেট অদুগী তোঙান-তোঙানবা মফম ৫৪দা লৈবা গ্রাউন্দ ৱাটর অমসুং সর্ফেস ৱাটর য়েংশিংনবগী থবকসু চত্থরি। রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না লমদম অদুদা ফংলিবা ঈশিংগী মগুন হেনগৎহনবা অমদি ঈশিং মোৎশিলহনবগী মতাংদা ৱাটর প্রিভেন্স এন্দ কন্ট্রোল পোল্যুসন এক্ট ১৯৭৪গী মখাদা য়েংশিনবগী থবক চত্থরি হায়রি।

# অরুনাচল প্রদেশতা নেসনেল সোসিয়েলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালিম-খপ্লাং গী কাদর অমা ফারে

*ইটানগর, সেপ্টেম্বর ১১ঃ*

অরুনাচল প্রদেশকী চাংলাং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মালুগাওদা নেসনেল সোসিয়েলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালিম-খপ্লাং (এন এস সি এন-কে)গী হাদকোর অমা ফারে।

ফারবা এন এস সি এন-কেগী কাদর অদুদি সেল্ফ ষ্টাইল সার্জন মেজর আসেন হাকুননি হায়রি। মহাক থাংজ নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা ফাখিবনি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

মীওই অদুদগী চাইনানা শাবা পিষ্টোল অমা অমসুং কাপ্পা য়ারিবা মরু ৫ ফাগৎপা ঙল্লে। কাদর অদু আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ অদুদা ইং ২০০২গী সেপ্টেম্বর থাদা য়াওখিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

এন এস সি এনগী মরু ওইবা মশা অনী লৈবগী মনুংদা এন এস সি এন-আই এমদি হৌজিকসু ইন্দিয়া লৈঙাক্কা শান্তিগী ৱারী চত্থরি। অদুগা এন এস সি এন-কেদি হৌখিবা চহীদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কা শান্তিগী ৱারী চত্থবা পামদ্রে হায়না ৱারী শাবা লেপথোকখ্রবা মতুং হিংশাগী থবক্তা মায় ওনশিন্দুনা চত্থরক্লি।

অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট খরদা এন এস সি এন-কেনা লুচিংদুনা লান্মীদা এক্সুস চত্থবা অমসুং মীচম অমসুং মীয়ামদা অকি-তুজুং পোকহনবগী থবক চত্থরি। ফিভম অদু য়েংলগা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা এন এস সি এন-কেগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎপগী শরুক অমা ওইনা ম্যান্মারদা লৈবা কেম্পশিং তকথোরক্লবা ম্যান্মার লৈঙাক্লা পাউ ফাওদুনা মতেং পীননবা থৌশিল পায়খৎলক্লি হায়রি।

# য়াঙনা থৌরকপা গারী অমনা মহৈরোই অহুম তকখায়রল্লে, অসামগী খোয়শাওনরবা মীয়াম্না এন ঐচ ৩১ থিংখ্রে



*গুৱাহাটি, সেপ্টেম্বর ১১ঃ*

অসামগী বিজনি লমদম ফাওনা চেনবা অসাম অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগা শম্নবা নেসনেল হায়ৱে ৩১দা য়াঙনা থৌদুনা লাকপা বোলেরো অমনা স্কুল চৎপা মহৈরোই অহুম তকখায়দুনা হাৎলম্বগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লমদম অদুগী মীয়াম্না হায়ৱেদা ৱ্লেকেদ চত্থখ্রে।

থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক অঙনবদা থোকখিবনি। নেসনেল হায়ৱে ৩১দা স্কুল চৎপা মহৈরোই ৪ থোমগাইরমখি। মহৈরোইশিং অদুগী মনুংদা ৩ শীখ্রে। অদুগা অমনা অরুবা ফিভমদা লায়কন্নরি।

পুলিসনা মফম অদুদা থুনা য়াঙনা চংশিন্দুনা ফিভম অদু য়েংশিনখ্রে। খোয়শাওনরবা মীয়াম্না অৱাং নোংপোক লমদমগা ইনিদয়াগা শম্নগদবা মরু ওইবা নেসনেল হায়ৱে অদুদা খোঙজং চংশিন্দুনা মরাল লৈবা দ্রাইভর খুদক্তা ফাগদবনি।

লোয়ননা হায়ৱে অদু হেন্না পাকথোকহনগদবনি হায়না দিমান্দ তৌখ্রে। লোয়ননা লৈখিদ্রবা অঙাংশিং অদুগী ইমুং মনুংদা মতিক চাবা কম্পেনসেসন পীগদবনি হায়না তকশিনখ্রে।

SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-692**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 9 | 3 | 7 | | 6 | | | |
| | | | | | | | | 1 |
| 5 | | 8 | 3 | 9 | 1 | | | |
| 3 | 1 | | | 2 | | | | 5 |
| 8 | 6 | | 5 | 3 | | | | |
| | 5 | | | | | 8 | 3 | |
| 9 | 3 | 5 | | 1 | 7 | | 6 | 2 |
| | | 4 | | | | | 8 | |
| | | | 4 | 6 | | | | 7 |